ꯄꯣꯛꯅꯐꯝ পোক্নফম

### ফেস্তিবেল ওব লিতরেচর ২০২৩ হৌদোকখ্রে

# শক্লাইরবী অইবী কে শান্তিবালাদা সাহিত্য একাদমী এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে



পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, মার্চ ১২ঃ মণিপুরগী শক্লাইরবী অইবী দাঃ কোইজম শান্তিবালাগী 'লৈরোন্নুং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অসিদা সাহিত্য একাদমী এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

সাহিত্য একাদমী নিউ দিল্লীনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা লৈবাক অসিগী খ্বায়দগী চাউবা 'ফেস্তিবেল ওব লিতরেচর – ২০২৩' হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নিউ দিল্লীগী রবিন্দ্র ভবনগী কমানি ওদিতোরিয়মদা য়ুনিয়ন মিনিস্তর ওব স্তেত কলচর, আর্জুন রাম মেঘৱালনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ ৬ নি চুপ্না চত্থগদবা 'ৱান আর্থ, ৱান ফেমিলী, ৱান ফ্যুচর' হায়বা থিমদা পাঙথোক্লিবা ৩৯ শুবা ফেস্তিবেল ওব লিতরেচর অসিগী মনুং

*মখা লমায় ৯, কলম ১ দা*

ꯄꯣꯛꯅꯥꯐꯝ পোক্নফম
rsharung@gmail.com

# ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯑꯀꯥꯗꯦꯃꯤ ꯑꯋꯥꯔꯗ ꯲꯰꯲꯲ ꯄꯤꯖꯈꯔꯦ
# ꯀꯣꯏꯖꯝ ꯄꯪꯁꯦꯃꯪꯈꯔꯤ ꯄꯪꯔꯦꯃꯤꯃ
# ꯌꯨꯝꯍꯤꯟꯗꯔꯤꯌꯥ



ꯄꯣꯛꯅꯥꯐꯝ ꯅ꯭ꯌꯨꯖ ꯁꯔꯚꯤꯁ ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯲: ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯂꯤꯇꯔꯦꯆꯔꯗ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯣꯟꯒꯤ "ꯇꯥꯔꯦꯛ" ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯑꯁꯤ ꯀꯣꯏꯖꯝ ꯄꯪꯁꯦꯃꯪꯈꯔꯤ ꯄꯪꯔꯦꯃꯤꯃ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯌꯨꯝꯍꯤꯟꯗꯔꯤꯌꯥ꯫

ꯀꯣꯏꯖꯝ ꯄꯪꯁꯦꯃꯪꯈꯔꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯁꯣꯏꯗꯅ ꯌꯨꯃꯤꯗꯥꯒꯤ ꯁꯦꯝꯕꯥ ꯇꯧꯕꯥ ꯄꯥꯝꯂꯤꯒꯤ ꯌꯨꯝꯍꯤꯟꯗꯔꯤꯌꯥ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ "ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯑꯀꯥꯗꯦꯃꯤ ꯑꯋꯥꯔꯗ-꯲꯰꯲꯲" ꯄꯤꯖꯈꯤ ꯃꯗꯨ ꯅꯨꯄꯤꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯆꯥꯛ ꯂꯩꯕꯥ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯃꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯄꯤꯈꯔꯦ ꯃꯔꯝ ꯈꯪꯅꯔꯦ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗ ꯄꯤꯈꯔꯦ ꯍꯥꯏꯈꯤ꯫

ꯅꯨꯄꯤ ꯱ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯨꯄꯥ ꯃꯤꯄꯨꯝꯗ "ꯃꯦ ꯄꯤꯔꯛ, ꯃꯦ ꯁꯦꯟꯇꯔꯤ, ꯃꯦ ꯁꯨꯡꯃꯔ" ꯍꯥꯏꯕ ꯋꯥꯐꯝ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯑꯀꯥꯗꯦꯃꯤ ꯑꯋꯥꯔꯗ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯇꯦꯟꯗꯦꯔꯦꯛꯇꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯇꯧꯕꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤꯒꯤ ꯌꯨꯝꯍꯤꯟꯗꯔꯤꯌꯥ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯀꯣꯏꯖꯝ ꯄꯪꯁꯦꯃꯪꯈꯔꯤ ꯄꯪꯔꯦꯃꯤꯃ-꯲꯰꯲꯲ ꯇꯧꯕꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤꯒꯤ ꯁꯦꯝꯕꯥ-ꯁꯦꯝꯕꯥꯗ ꯇꯦꯡ ꯲꯲ ꯒꯤ ꯄꯥꯝꯕ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤ ꯄꯥꯝꯕꯤꯒꯤꯅꯤ ꯌꯨꯝꯍꯤꯟꯗꯔꯤ꯫

ꯄꯣꯛꯅꯐꯝ পোক্নফম

# শক্লাইরবী অইবী কে শান্তিবালাদা সাহিত্য একাদমী এৱার্দ খৃৎশিন্নখ্রে

লমায় ১গী মখা

চন্না লেমজনীংঙাই ওইরবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা লোয়নশিল্লোনগী মনা সাহিত্য একাদমী এৱার্দ-২০২২ লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা লোন ২৪ গী অইবা অমসুং অইবীশিংদা খৃৎশিন্নখি।

মদুদা মণিপুরগী ওইনা, 'লৈরোন্নুং' হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অসিদা দাঃ কোইজম শান্তিবালাদা সাহিত্য একাদমী এৱার্দ লাম্ভোকখিবনি।

ইম্ফাল ইস্টকী মনুং চনবা খুরায়দা পোকখিবী দাঃ কে শান্তিবালা – থৌজিক এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্তমেন্তত এসিস্তেন্ত প্রোফেসর ওইরি। অইবীসি থৌজিক ফাওবদা শৈরেং, ৱারীমচা অমদি দ্রামা য়াওনা পুন্না লইরিক ৭ ফোংদ্রে। অইবী অমা ওইনা মহাক্না ফং খিবা মনাশিংগী মনুংদা দাঃ খেইরোম তোমচৌ নীংশিং গোল্ড মেদল ২০০৬, মৈরাং থেম নিংথৌ নীংশিং মনা ২০১১, বাল সাহিত্য পুরস্কার ২০১১ পনবা য়াই।

মার্চ ১১ দগী ১৬ ফাওবা চংথগদৌরিবা ৩৯শুবা ফেস্তিবেল ওব লিতরেচর অসিদা মণিপুরগী লেংগ্বেজ এদভাইজরী বোর্দ, নিউ দিল্লীগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমার য়াওনা শক্লায়রবা অইবা/অইবী কয়ানা ৱারীমচা অমসুং শৈরেংগী পেনেলিস্ত ওইনা শরুক য়ারি।